# এসিয়ন য়ুঠ চেম্পিয়ন নাওরেম বেবীরোজিসনা ৱর্ল্ড য়ুঠ বোক্সিংদা ক্বার্টর ফাইনেলগী থাক য়ৌবা ঙমখ্রে



কিলচে, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী): পোলেন্দগী সিটি কিলচেদা পাঙথোক্লিবা ইন্টরনেসনল এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী মখাদা শান্নবা য়ুঠ মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী নুপীগী কিলোগ্রাম ৫১গী কাঙলূপ্তা কুমজা ২০১৯দা এসিয়ন য়ুঠ চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী নাওরেম বেবীরোজিসনা চনুনা ঙসি মহাক্কী লম্বা ইষ্টোনিয়াগী বোক্সর দাইনা গোরিসনজাবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী বাউট অদু হেক হৌবদগী বেবীরোজিসনাগী মায়কৈদগী মহাক্কী ফুটৱাকতা অশোয়বা অমত্তা লৈখিদে। মহাক্কী অথুবা পঞ্চশিং অমদিমায়োক্লবা বোক্সরনা চথুরকপা এটেকতা লৈথোকপা ঙম্বগী স্কিলশিং অদু মপূং ফানা উৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা বাউট অদুগী অহানবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা জজ ৫না বেবীরোজিসনাগী মায়কৈদা পোইন্ট লোইনা পীখি।

অনীশুবা রাউন্দ অদুসু বেবীরোজিসনাগী মশান্না অদুদা ইষ্টোনিয়াগী বোক্সর গোরিসনজা খাঙবদা ৱাখি। বেবীরোজিসনাগী মায়কৈদগী লেপ্পা লৈতনা চথুরকখিবা য়েৎনা-ওইনাগী কিননা মহাক্কী লম্বা অদুবু নাহী তাহনখি। অনীশুবা রাউন্দ অদুসু জজশিংগী ফেভর মহাক্না ফংবা ঙমখি। অদুগা অহুমশুবা রাউন্দ হৌরকপা মিনট ১.৩০ চঙশিল্লকপদা বেবীরোজিসনাগী মশান্না অদুদা বাউট অদুবু কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা ইষ্টোনিয়াগী বোক্সর দাইনা গোরিসনজাবু মখা তানা শোক্তনবা বাউট অদু তেনশিনহন্দুনা বেবীরোজিসনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বেবীরোজিসনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী অপূনবা নুপী বোক্সর ৭ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী বোক্সর ৬ অদুদি পুনম (কেজি ৫৭), বিনকা (কেজি ৬০), অরুনধাটি (কেজি ৬৯), সনামচা থোকচোম (কেজি ৭৫), খুশি (কেজি ৮১) অমসুং অলফিয়া (কেজি ৮১ মথক)নি।

চথুরিবা য়ুঠ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী কাঙলূপ্তা অনকিট নর্ৱালনা কেজি ৬৪গী কাঙলূপ্তা উজবেকিষ্টানগী বোক্সর অখমাদজোন অখমেদোবপু ৫-০দা থোইবা ঙমখি। লোয়ননা কেজি ৭৫গী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর মনিশনা ইজরেলগী বোক্সর দেনিএল ইলয়ুসোনোভপু ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কা লোয়ননা অনকিট প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি অথেংবদা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর ৪ অমসুং নুপী বোক্সর ২ প্রি ক্বার্টর ফাইনেল বাউটশিং লম্বা তৌনগদৌরি। করিগুম্বা মখোয় ৬মক মায়পাকপা ঙম্লবদি মেন্স এন্দ ৱিমেন্স য়ুঠ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোক্সর ১৩ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা মেদল ফংবা য়াবগী খূদোংচাবা অদু য়াম্না ফজনা নকশিল্লক্লি।

# স্পোর্টস মিনিষ্টর রিজিজু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর স্পোর্টস এন্দ য়ুঠ এফেয়র্স কিরেন রিজিজু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না মশামক্কী ত্বিটর একাউন্টতা ফোঙদোরকখ্রে।

কিরেন রিজিজুনা ইরাই নুমীৎতা উত্তরখন্দদা লৈবা তেহরি সিটিগী কোটি কোলোনিদা ৱাটর স্পোর্টস এন্দ এদভেঞ্চর ইন্সটিট্যুট অমা ঙরাং শঙ্গাখিবনি। মদুগী মতুং মহাক কোভিদ-১৯গী টেষ্ট অনীরক হঞ্জিন-হঞ্জিন তৌরবা মতুং পোজিটিভ ওইবা থেংনরকপনি হায়না মিনিষ্টর মশামক্না মশাগী ত্বিটর একাউন্টতা ফোঙদোরকপনি।

মহাক্না মখা তারদুনা, দোক্তর-শিংগী এদভাইসকী মতুংইন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। লোয়ননা মহাক্কী মশাদা কা-হেন্না চিংননিংঙাই ওইবা মওং অমত্তা লৈতে। অদুবু মহাক্না নকুখিবা মীয়ামবুসু কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌথোক্তুনা মখা তাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎমিন্নসি হায়রকখি। রিজিজু হৌখিবা চয়োল অসিদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদসু শঙ্গাবা চৎলুবনি।

# মোইরাংথেম ধীরজগী ফজবনা এফ সী গোৱা অল ৱাদাগা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে



মারগাও, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সী): গোৱাগী মারগাওদা লৈবা ফটোরদা ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা এসিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ঈগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা য়ূম্বু ওইখিবা ইন্দিয়াগী ক্লব এফ সী গোৱাগী গোলকিপ্পর মোইরাংথেম ধীরজগী ফজবনা মায়োক্লবা টিম য়ু এ ঈগী অল ৱাদাগা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, গ্রুপ অসিগী অহানবা মেটচতা এফ সী গোৱা কটারগী ফুটবোল ক্লব অল রায়নগা শান্নখিবা মেটচতসু পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখিবনি। ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা য়ু এ ঈগী ক্লব অল ৱাদানা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক কয়া চথুবা ঙমখি। মদুদা এফ সী গোৱাগী নম্বর ৱান গোল কিপ্পর ওইরিবা মণিপুর মচা মোইরাংথেম ধীরজনা ফজবা মশান্না উৎপা ঙমদুনা পাঞ্জল ওইরমগদবা তাঞ্জা কয়া অমা ঙাকথোকপা ঙমখি।

অনীশুবা হাফতা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী বোল পায়বগী চাং হেনগৎলকখি। মখোয়না পুশিনখিবা কাউন্টর এটেকশিং অদুবু পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খূদোংচাবা ২/৩লক ফংখি। মেটচ অদুগী লোইশিল্লমদাই ফাওবা মোইরাংথেম ধীরজগী য়াম্না মীৎকুপ-নাহুম শিংবা অমদি হৈথোই-শিংথোইবা অদুনা মরম ওইরগা শুংশোয় শোয়দনা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা কয়া ঙাকথোকপা ঙমখি।

# অনীশুবা এস ঐচ রাকেশ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগতা এস দি ও পল্লেল মায় পাকখ্রে



ককচীং, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা পাঙথোকপা অনীশুবা এস ঐচ রাকেশ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচতা এস দি ও পল্লেলনা রোয়ল এফ সীবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীমক পাঙ্গল তাদনা থেংনরকখি। অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল হাপচিনবগী খূদোংচাবশিং অদু কা-হেন্না ফংনবা ঙমখিদে। অহানবা হাফকী অপীবা মতমগী মিনট ৪৫ লোইশিল্লকপা ফাওবা টিম অনীগী স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদে। অদুবু হাফ অদুগী ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অহৌবা মিনটতা এস দি ও পল্লেলগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২৪ ৱাই গৌতমনা পাঞ্জল ১ চল্লগা হাফ অদু ১-০দা মখোয়না হেল্লগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা এস দি ও পল্লেলগী মায়কৈদগী শান্নরোয় অতোম মখোননা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। রোয়ল এফ সীগী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদ্রিঙৈ শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা এস দি ও পল্লেলগী জর্সি নম্বর ১৪ এস তোম্পোকনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি।

পাঞ্জল ৩ হেল্লবা এস দি ও পল্লেলগী মায়কৈদগী মখা তানা অহেনবা পাঞ্জল অদু চন্নবা হোৎনরকপদা মিনট ৮ শান্নরকখি। মেটচকী ৬৪শুবা মিনটতা এস দি ও পল্লেলগী মায়কৈদগী মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ২৪ ৱাই গৌতমনা মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিমগী ওইনা ৪শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা রোয়ল এফ সীবু মখোয়না ৪-০দা থোইখি। ঙসিগী মেটচ অদুদা এম মঘোনা মেটচ কম্মিস্নর অমদি রেফরি এসেসর ওইখি। লোয়ননা এল দেরেক মরিংনা সেন্টর রেফরি ওইখি।

# ত্রাও এফ সী অমসুং এস এস য়ু ১-১দা দ্রো চৎখ্রে, এস য়ুনা জি এস সী ৩-১দা থোইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস): টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন- এফ সী অমসুং এস এস য়ু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা জি এস সীবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথুরিবা খুমুকচম জয়কিষননা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা পাঙথোক্লিবা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা নুংথিলগী অঙনবা মেটচতা ত্রাও এফ সী অমসুং এস এস য়ু লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী হৌরকপা য়াম্না ঙল্লিঙৈ ৭শুবা মিনটতা এস এস য়ুগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ গোগোচানা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা ত্রাও এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ জেটলিনা শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা টিম অনী ১-১দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ২৬শুবা মেটচতা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমসুং জি এস সী লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফকী ৩৮শুবা মিনটতা এস য়ুগী পিটর সৈমিনথাংনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৭কী মনুংদা টিমমেট জেরি ওনেসিমাসনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ২-০দা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈদসু এস য়ুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা পিটর সৈমিনথাংনা ৬৩শুবা মিনটতা টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিনবা ঙমখি। পাঞ্জল ৩ শোথরবা জি এস সীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী মায়কৈদা পাঞ্জল হন্দোক্লবা বোল পুশিনবা ঙম্লকখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৭ সী ঐচ জাংমিনথাংনা শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

মখা তানা শোথরিবা পাঞ্জল ২ হন্দোক্লবা হোৎনবদা জি এস সীগী মায়কৈদগী অৱৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নরকপনি। অদুবু পাঞ্জল হেন্দুনা লৈরিবা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী মখোয়না মায়োক্লবা টিমগী শান্নরোয়শিংনা পুশিল্লকপা বোলশিং অদু কান্নবা ফংহন্দনা অৱেম্বা তাহন্দুনা শান্নবা ঙম্বদগী টিম অদুনা অহানবা হাফকী লোইরমদাইদা চনখিবা পাঞ্জল ২ অমদি অনীশুবা হাফকী অহৌবদা চনখিবা পাঞ্জল ৩ অদুগী মনুংদা জি এস সীনা ১ হন্দোকখ্রবসু মখা তাবা মিনট ২০ ফাদ্রবা মতম অদুদা ফজবা হেনখিবদগী মেটচ অদু মখোয়না জি এস সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ এগী ৩শুবদা লৈরি।



# বি বি সী, বি এস ও অমসুং জিরি পুলিস মায় পাকপা ঙমখ্রে

জিরিবাম, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা ওল জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চথুরিবা ১০শুবা ৱাই কেশো মেমোরিয়ল ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ মেটচশিংদা বি বি সী বিদ্যানগর, বি এস ও তোপ সিফাই জিরি পুলিস অমদি কে ৱাই এল সী কাশি খুল মায় পাকখ্রে।

ক্বার্টর ফাইনেল লীগ অদুগী অঙনবা শান্নবা মেটচ অমদা বি বি সী বিদ্যানগরনা জি পি এস এবু সেট ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা মেটচতা বি এস ও তোপ সিফাইনা এল এম ৱাই সী মোক্তোথোংবুসু সেট ৩-০দা থোইবা ঙমখি।

অমরোমদা, নুংথিলগী শান্নখিবা মেটচ অমদা জিরি পুলিসনা বি এস ও তোপ সিফাইবু সেট ৩-০দা থোইরবা মতুং অনীশুবা মেটচতা কে ৱাই এল এস কাশি খুল ইম্ফালনা বি বি সী বিদ্যানগরবু সেট ৩-০দা থোইখি।

হয়েং অয়ূক অঙনবদা জিরি পুলিস অমদি সোনাপুর জি পি এস এ শান্নগনি। অদুগা নুংথিলদনা কে ৱাই এল এস সী অমসুং জিরি পুলিস লোয়ননা বি এস ও অমদি সোনাপুর শান্নগনি।

# এ এস এস এ অমসুং দি য়ু সী মায় পাকপা ঙমখ্রে

থৌবাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা ৱাংজিংগী কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা এল মেমচা মেমোরিয়ল সুপর লীগ ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এ এস এস এনা এস ৱাই দি এবু অদুগা দি য়ু সীনা আর পি য়ুবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এ এস এস এ অমসুং এস ৱাই দি এ লম্বা তৌনখি। শান্নবগী অহানবা হাফকী ২০শুবা মিনটতা এস ৱাই দি এগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ হিজম রোনাল্ডোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদু এ এস এস এগী মায়কৈদগী হন্দোকপা ঙমদনা শান্নবগী অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপা শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা এ এস এস এগী জর্সি নম্বর ১০ অসিফ খাননা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং এস ৱাই দি এগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমদ্রিঙৈ এ এস এস এগী অতোপ্পা শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৮ বাবুর রিয়াননা ৬০শুবা মিনটতা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা ২-১দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩ শুবা মেটচতা দি য়ু সী অমসুং আর পি য়ু লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুদা দি য়ু সীগী মায়কৈদগী কে ঐচ সাগরনা হেটট্রিক চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী শান্নবা লোইশিনবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

৪৮শুবা মিনটতা দি য়ু সীগী সাগরনা মহাক্কী হেটট্রিককী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। ৫০শুবা মিনটতা ৱাই য়ু সীগী ঐচ ললিতনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। মখা তারকপা দি য়ু সীগী এম জোলিনা ৫৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা হাপচিল্লবা মতুং টিমমেট কে ঐচ সাগরনা ৫৮ অমদি ৬৯ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ হাপচিল্লগা মহাক্কী হেটট্রিক ওইখি। মখা তারকপদা আর পি য়ুগী দয়ানন্দনা ৭২শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চন্দুনা মেটচ অদু দি য়ু সীনা ৪-২দা থোইখি।

# ঈ য়ু এস সী তেলৌনা বি এস য়ু (সী) নোংপোক ককচীং থোইখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস): ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক ককচীংনা শীন্দুনা ইবুধৌ খল্লাংবা লম্পাক্তা পাঙথোকপা ৭শুবা ইবুধৌ খল্লাংবা কপ ২০২১ লল্লাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন ৭ এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ঈ য়ু এস সী তেলৌনা বি এস য়ু (সী) নোংপোক ককচীংবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী ৮শুবা মিনটতা ঈ য়ু এস সীগী জর্সি নম্বর ৪ টি ঐচ রমানন্দনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মদুগী মতুং টিম অদুমক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ কে ইবোতোম্বনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিনবা ঙমখি। বি এস য়ু (সী) নোংপোক ককচীংগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল ২ অদু হন্দোকপা ঙমদনা টিম অদু ঈ য়ু এস সী তেলৌগী মখুৎতা ০-২দা মায়থীখি।

ঙসি য়ু কে এফ সী উয়ুমপোক লাক্তবদগী য়াইফথোই এফ সী সেক্তা ৱাকওভর ফংখি। অদুগা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০দা শান্নগদবা ও এফ এ পুংদোংবম অমসুং আই টি এ এম নুঙ্গোই এফ সীগী মেটচ অদু য়ৈথোক্লে হায়না ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক ককচীংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।


## MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY SECRETARIAT

**NOTIFICATION**

Imphal, 16th April, 2021.

*No. 01/01(01)2021-LA(Estt.):* It is hereby informed to all the candidates who had applied for direct recruitment to the vacant posts of Assistant Security Sub-Inspector (A.S.I.), Secretariat Assistant(SA), Security Woman, Binder, Labourer, Attendant, Sweeper and Cook that the **Physical Efficiency Test(PET)/ Speed Test/ Interview** are hereby scheduled on the date and time given below in the Manipur Legislative Assembly Secretariat:

| Sl. No. | Name of the post(s) | Particulars | Date & Time | Venue |
|---|---|---|---|---|
| 1. | **Binder and Labourer** | Interview/Viva-voce | 03/05/2021, 11:00 AM onwards | Office Room of Additional Secretary/LA |
| 2. | **Attendant, Sweeper and Cook** | Interview/Viva-voce | 03/05/2021, 11:00 AM onwards | Office Room of Joint Secretary (Admn.)/LA |
| 3. | **Secretariat Assistant (SA)** | Speed Test | 05/05/2021, 11:00 AM onwards | Conference Room |
| 4. | **Assistant Security Sub-Inspector (A.S.I.)** | PET and Interview/Viva-voce | 05/05/2021, 10:30 AM onwards followed by Interview/Viva-voce | **For PET** Premises of New Assembly Secretariat Complex **For Interview** Office Room of Addl. Secy./LA |
| 5. | **Security Woman** | PET and Interview/Viva-voce | 05/05/2021, 10:30 AM onwards followed by Interview/Viva-voce | **For PET** Premises of New Assembly Secretariat Complex **For Interview** Office Room of Joint Secretary (Admn.)/LA |
| 6. | **Secretariat Assistant (SA)** | Interview/Viva-voce | 07/05/2021, 11:00 AM onwards | Office Room of Joint Secretary (Admn.)/LA |

All the candidates, are, therefore, informed to appear along with necessary documents in original for the said Physical Efficiency Test (PET)/ Speed Test/ Interview on the date and time as shown above without fail.

**Reporting time: Half an hour before scheduled time.**

*Sd/-*
**(G. Tapankumar Sharma)**
*Joint Secretary (Admn.),*
Manipur Legislative Assembly.

HL-B/6936/18


## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না কৌরি হায়রি, কৌরি পাম্লি

### নোং তারক্তবদি ঈশিং ফংদবগী ঋভিমদা লাক্লবনিনা ঈশিং য়োক্তুনা থম্বগী হৈনবী মথৌ তারে



নোং তারক্তবদগী ঙসি লমদম অসিদা ঈশিং ফংদবনা খম থেংনা ৱানরে। ফত্ত-হাউদি কয়া থাদুনা মীরাইবিরবা তম্পাক্কী ময়াং কংলবা ইরি তৎলবা তুরেলগী ঈশিং উপাই লৈতবদগী খুয়ানা অমদি খুজোক্না ঈশিং শোক্তুনা তেঙ্কি গাড়ি কয়াগী মতেংনা লৈবাক মীয়ামদা ঈশিং ফংহল্লি। ফংহল্লিবা ঈশিং খরা অসিসু কয়াম অফবনো অমদি ফত্তবনো চাংয়েং তৌবগী মহুৎ ঈশিং ফংবু ফংলবদি হায়দুনা অতাংবা মমলদা লৈদুনা শীজিন্নরি। হন্দক্কী ইকং থা অসিদগী পারা অমা তমহৌদুনা মতুংদা অমুক হন্না তুরেলদা ফত্ত-হাউদি থাদদনবা ফীরেপ লৌমিন্নরসি। লোয়ননা নোংজু থা মতমদা ঈশিং করম্না য়োক্তুনা থমহৌসিগে হায়বগী পাম্বৈ-লৌশিং মীয়াম অমসুং লৈঙাক্না পুননা ৱাখল তামিন্নদুনা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎপা মথৌ তারে। লৈঙাক্না মতম-মতমগী খুঙ্গং লৈকায়গী চাওখৎ থৌরাং পায়খৎলকপা মতমদা ঈশিংগী মতাংদসু য়াওহন্দুনা নোং তাদবা ইকং থোকপা মতমদা ঈশিংগী অৱাবা খরদা ওইরবসু কোক্লনবা লৈনুংদগী ঈশিং চিংখৎতুনা শীজিন্ননবা হেন্দ পম্প মরাং কায়না হুৎতুনা লৈকায় খুদিং থম্বিনবা লৈঙাক্কী পুক্লিং চীংশিনজরি।

❏ এল ইবোমচা, তাউথোং

### ফজখ্রবা মফৌ দাম অসি মপুং ফানা শেমগৎপীরবদি টুরিষ্ট স্পোট অমা ওইবা য়াগনি



ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৩৫মুক হায়থরগা লৈরিবা থৌবাল তুরেলগী মফৌদাম মণিপুরগী অচৌবা দামশিংগী মনুংদা অমনি। দাম অসিগী অনকপদা অমদি অকোইবদা তারিবা তোঙান-তোঙানবা কাংলুপকী চীং অমসুং তমদা খুন্দারিবা মীওইশিংনা মফম অসিগী লন্বীশিং অসুক্কী মতিক চহী কয়াদগী ফত্তনা লাকপনা মরম ওইদুনা চাওখৎ লন্বীদা য়াম্না থিন্থবা হায়বদু ওইহল্লে। ঙসিসু মফম অসিদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং অফবা স্কুলদা মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরি। লোয়ননা মফম অসিদা লৈরিবা স্কুল অমা-অনী অসিদা চৎনবা হোৎনবদা লম্বী য়াম্না ফত্তবা সাইকল ফাওবা থৌবা য়াদ্রবা লম্বী ওইবনা মহৈরোয়শিংদা চাওনা অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লি। থানরিবা মনা-মশিং কয়াসু লম্বী ফত্তবনা মরম ওইদুনা কৈথেল ফাওবা পুথোকপা ঙমদবনা লৌ উজরিবা অমদি মনা-মশিং থাজরিবা লৌমশিংগী শেনমীৎলোন ফগৎপা ঙমদনা লৈরি। মফৌদাম হায়রিবা দাম অসি য়াম্নসু ফজবা মফম অমা ওইবনা মরী লৈনবা লৈঙাক্না দাম অসি ফাওবা চৎলিবা লম্বী অসি ফজনা শেমগৎপীরবদি মফৌ দাম অসি টুরিষ্ট পেলেস অমা ওইবা য়াগনি। টুরিষ্ট পেলেস অমা ওইরবদি দাম অসিগী অকোয়বদা খুন্দারিবা মীওইশিংগীসু য়াইফবা হায়বদু শোয়দনা ওইগনি।

❏ মিলটন লুৱাং, নোংঙাদা মখা লৈকায়

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com